# মণিপুরগী লাইনীং লাইচৎ ঈরাৎ থৌনি থাজনবীদা থৌদু নুঙগী মফম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***...চীংসোইদা নুঙ ৯ লৈএ। মদুদি। ক্বাকপা। মখুলনে। মফম অদুদা। খুদুপ ৪ লুনা লৈএ। মফম অদুদা। তৌরবগা। নুঙগী ক্বাক ২ লৈবনে। অদুনা মৈতৈ লৈপাককী। ক্বাক পাইরিবা অসী খৈবীক পোকপনে হায়বা খঙও। মখুল অদু মেললাবদি। পাইরোইদবনে। হায়বা খঙও। ৯সুঙ হায়গে। কেরেচীংদা নুঙ ৮ লৈএ। মদুদি। মৈতৈগী লাইগা। অৱাগী লাইগা। ২ সোকনএ। মৈতৈগী লাইনা। ঙমদনা। মৈতৈ লাই অয়ামবনা। হে ঔৱা লাই অয়ামবশিংও। নঙখোইবু। ঐখোয়না ঙমলে। নয়ুম লৈপাকতা হনফরোই। মফম অসিদা। নুঙ ওইদনা লৈও। হায়দনা চৈরমএ। অদুনা নুঙ ওইদনা লৈএ। মমিংদি ৱোংপিৎ তোসংমীৎ কৌএ। ঔৱাবু ঙমগে হায়রবদি। মফম অদুদা হামেঙ ৯ কৎও। লাইমীং অসি সোললো। লাউও। খোংও। ঙমবনে। (খোগেনচন্দ্রা নাওরেম, নুঙলোন অমদি ককচিং লামায়দা)*** মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরিবা মতিক ময়াই লৈরবা নুঙ কয়াগী মরক্তগী মতাং অনীদং লৌখৎচবনি।

ঐখোয়গী লাইনিং লাইচত্তা নুঙগী মতিক ময়াইবু শীংথাদুনা লাৎনরম্মী হায়বসি ঐখোয়গী লাইথৌ তীনথৌগী ওইবা থৌরমশিং অমদি মমাঙঙৈগী মতমদগী লৈরক্লবা থাজনবী কয়ানা খুদম চাংদম ওইরি। নুঙলোন পুয়াদা শীংথারিবা নুঙ ময়াম অসিনসু লেঙদ খুদম ওইদুনা লৈরি। লৈবাক চাওখৎনবা, নিংথী মফম তাদনবা, শমজিল্লবদা লৈঙাক্লোন, পূন্সিরোলনচিংবা হীরম খুদিংমক্কা মরী লৈনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংবু নুঙগী মশক ওইনা খুভম য়াদুনা ঈরাৎপগী ৱাফমসু য়াওরি। ফৌওইবীগী খুভম ওইবা নুঙগী মতাং অমসু লৌখৎচরি - লৌনসি লৈনসি হায়দুনা শক্লখিবা শরী ৱাশক ঙাক্লবগীদমক লাইরেম্মা ফৌওইবীনা মশাবী অকোংজাম্বগী ময়ূমদা লাক্লম্মী। অদুবু অকোংজাম্বদি লৈরমদ্রে। নীংবা কায়রবী লাইরেম্মনা মথ্বায় নুংঙাইতনা অসুম্না শোল্লম্মী, "ইশাবী অকোংজাম্ব-ও! হায়নখিবা ৱা শোয়দুনা করিগীদমক শরী ৱাশক ঙাক্তবনো? নশানৌ ওইবী ঐদি মীসু লাইসু ওইররোই, ৱায়খোং চীং অসিদা নুঙদুম ওইনা লৈজরগে।"

মতৌ অসুম্না ৱায়খোং চীংদা লাইগী শক্লোন ওইবা নুঙ মাপন লৈ। ফৌওইবীনা ওনখিবা নুঙবু লৈনাউবী লৈরোন লাংবী কৌই হায়বগী ৱাফমসু পুয়া অসিদা থন্বীরি। করিগুম্বা মতমদা নুঙ অমনা কপ্লবদি চাক তাঙবগী খুদম চাংদম্নি হায়না খঙনৈ। মতম অদুদা লফোই লফাং চঙ থোকপা, মতোন চোংবা ক্বা অমদি হৈ মনম নাইবা য়াওনা কৎলগা থৌনিজরদি চাহোঙ-ঙাহোঙই হায়বগী ৱারোলসু য়াওরি। নিংথৌ কাংপারোল পোংলোল পুয়া মৈহৌপা কৌবা লাইরিক্তা ইরিবগী মতুংইন্না হয়িচক্তা পানখিবা নিংথৌ কাংবনা লাইনিংথৌ সনামহীবু নুঙগী মশক মওং ওইনা লাৎলম্মী। নিংথৌ অসিনা থূপ্লমদাইদা লাইনিংথৌবু নোংমাইচীংগী শুরুংদা থল্লম্মী হায়না পল্লি। সেরৌগী মালেম






ইমা নুঙথোঙ শিদবগী মশাইকোন্দসু নুঙগী শক্তম ওইবা লাই লাৎলি। মতৌ অসুম্না ইপা ইপু হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা নুঙবু লাই ওইনা লাৎনরি।

ঐখোয়গী শজিবু চৈরাউবা নুমিত্তা ঈরু লুজবা মতমদা কোক্তা নুঙ অমা থল্লগা ঈশিং চাইথনৈ। চাইথবা মতমদা চীন্না অসুম্না শোল্লি - ***নুঙ নঙনা পূন্সিবগুম পূন্সি নুংশাংবা ওইজগে।*** মসিনসু নুঙগী মতিক ময়াই তাকপগা লোয়ননা মীওইবদা থৌজাল লনকুবীবা ঙম্মী হায়বদু উৎলি। করিগুম্বা মতমদা লম্বী লমখাঙদা শেল তারম্বা খুনবসি মদুদগী হেন্না অমুক শেল মাঙই হায়না থাজনৈ। শেল তারল্লিবা মফমদুদা নুঙ অমা থল্লবদি মাঙদে হায়না থাজনৈ। মী শিবগী পোৎলোইবা মতমদা মৈ চুরমদাইদা মংদা লাকপা নুপীশিংদু হান্না হন্নরকই। হনগদবগী মমায় লৈথোরকপগা শম থাদোক্লগা নুঙ অমা করাঙদগী তুংলোমদা লংথোকই। মাঙলোমদা মমায় ওনশিনবা তৌহৈদে হায়নদুনা কনাসু মমায় ওনশিল্লমদে।

অসুম্না মালেমদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ কয়াগী লাইনীং লাইচত্তা মখোয় মখোয়না লাৎচরিবা লাইশিংবু নুঙ ওইনা খুভম য়াদুনা লাৎনৈ। ইন্দিয়াগী ওইনসু খুদম অমা লৌখৎচরবদা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা শলিগ্রাম হায়না খঙনবা শৃৎ নানবা অমুবা নুঙ অমবু বিষ্ণুগী খুভম ওইনা লাৎনরি। গ্রীকশিংনসু মিট্যোরাইট (থৱান্মীচাক মথী হায়রগা খঙনবা) ওইরম্বা য়াই হায়না খন্নবা নুঙবু য়ূম্নি হায়না থাজনৈ। নুঙবু শিব মহাদেবগী লিঙ্গ ওইনা খুভম শেমদুনা লাৎনবগী খুদম মণিপুরদসু ফংই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা শজিবু চৈরাউবা নুমিৎ অমদি ফাইরেন পঞ্চমী নুমিত্তা চীং কাবা চৎলম্মী। মতমদুদা নহা, অহল, লৈশাবী, পাখঙ খাক্তনা চীং কানরম্মী। থাঙ্গৈশেংবদি ঐখোয়গী ওইনদি মতমদুদা চীং কারিবদু মহাদেব খুরুম্বা চৎপনি। মতমদুদা ঐখোয়না খুরুমখিবা কাখিবা মফমদু মনীংচীং মহাদেব লৈবা চীং (হৌজিক হৌজিক্লা অঙানচীং ইকো পার্ক, ককচীং হায়না খঙনবা চীং অসিনি। হায়রিবা চীং অসিদনি। চীং অসিগী অরোইবা মতোন্দা শিবলিঙ্গ নুঙ অমা অপীকপা লাইশঙ অমগী মনুংদা খিন্দুনা থল্লি। ঙসিসু মীয়াম্না খুরুম্বা চৎনরি। উয়োক চীং (ঙসিগী ককচীং গার্দেন) দসু ঙসি ঐখোয়না উরিবা ৱাং চাউরবা মহাদেবগী মিতম অসি লৈত্রিঙৈ মমাঙদা শিবলিঙ্গ নুঙ অমা লাৎলম্মী। শেল কৎপা মতমদা মহাক্কী খোয়রেন্নি হায়না থাজনবা মখুল অদুদা তাশিন্দনা মপান্দা চোংথোরক্লবদি নীংবা থুংদে হায়নৈ। অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক হৈজগে, ইনাক খুনজগে হায়না চীন্দা শোল্লগা শেল লংশিনবদো মপান্দা চোংথোরক্কদ্রা পাখৎপগী থৱায়সি নিক-নিক লাউবজাৎনি। মনুংদা তাশিনখিবদা ঐখোয়না হরাউজবদুদি। অহল লমনশিংনা হায়নখি মদুদি হায়রিবা শক্তম অসি চহী খুদিংগী ৱাংখৎপা হেনগৎলি হায়না।

মতৌ অসুম্না মণিপুরী খুন্নাইদসু লাইগী শাইওন ওইবা নুঙ কয়া লৈরি। হায়রিবা লাইগী শক্তম ওইরবা নুঙশিং অসি ঐখোয়না উবা ফংবা মফমদা লৈবা অমদি ঈশিং ঈরোলনুংদা নৎত্রগা লৈবাক মনুংদা লৈবা হায়নসু খায়দোকপীরম্মী। হায়রিবশিং অসিনা ঐখোয়গী লাইনীং-লাইচৎ অমদি থাজনবীগা নুঙশিংগা লৈনরিবা মরী অদু পাউদম্বনি। লাইগী মতিক ময়াই হাপচিল্লম্বসি অমনা থাজগী ৱানি হায়বা য়ারোইদবগী মরমসু লৈ। মশীং লাকঙমদ্রবা চহীচা কয়ানি তাইবঙ মীওইবনা নুঙনা শাবা খূৎশু খূৎলায়গী মপান তাংদুনা হিংলকখিবসি। মদুদবু লাইনি হায়না লাৎপদা ৱায়েৎ পীফম থোকপ্রা? ●

# হীদাক চাবা কিনরকপা

- নবকুমার ওইনা -



মালেমসিদা অমুক্তা ফাওবা নাদবা মী লৈরম্বা য়াই। লমদম অসিদদি থাজদে, হোস্পিটাল য়াম্না লৈ। ফার্মাসি য়াম্না লৈরবা, হোস্পিটাল য়াম্না লৈরবা অনাবা য়াম্না লৈ হায়বসি খঙনরিবনি। ডাক্তরগী মশীং হেনগৎলবা, হোস্পিটাল মশীং হেনগৎলবা অনাবা মশীং হেনগৎলিবনি। ডাক্তরনা অনাবা মশীং হন্থহনবা ঙমদেদা হায়রিবনি, অনাবা ফহনবগী ৱাতনি। অনাবা পূন্নমক ফহনবদি ঙমদে হায়না থাজনৈ, থাজনদ্রবদি লাপ্না-লাপ্না লায়েংবা চৎনৈ।

লমদমসিগী হোস্পিটালশিং মালেমগী থাক্তা লৈবা য়াওরে হায়রবনি। হোস্পিটাল চাউখৎপা হায়বসি অনাবা লৈবগীনি। য়ূম খুদিং ডাক্তর তম্বা পাম্নবগী ৱা লৈরবনি, ঙম্নদবগী ৱানি। ডাক্তর তম্বসি শেল তানবা নুংঙাইবগীনি খনবা য়াওরম্বসু য়ারি। ডাক্তর খুদিংমক হোস্পিটাল লিংখৎপা পাম্ববু মাল্লক্লবনি। হোস্পিটাল হায়রিবসি অনাবা মী লায়েংনবনি, নাদনবা থিংফম নত্তে। ডাক্তরগা হোস্পিটালগনা পাম্বসি অনাবা মীনি, অমনা শেলদুনি হায়বসু লৈ। শেলসু তিংদনবা অনাবদু নাদনবা থিংবা অমা চঙলি। অদুগীনি হন্দক্তা স্কুলশিংদা অঙাংশিংবু খূৎ ফজনা চাম্বা তম্বীরিবা, তিন লৈতনবা হীদাক পীজবা হৌদোক্লিবসি। মসিনা লোইরদরা হায়বসু লৈরিবনি। লম্বী মপান্দা দুকান অয়াম্বদা য়োল্লিবা অচাপোৎ ময়ামসিবু অনাবা শন্দোক্লিব্রা, শিদনবা চাবা ওইগদৌরিব্রা? ডাক্তর লৈরিববু, হীদাক ময়াম য়োল্লিববু হায়রগা চারিব্রা? অরোইবদা ইশাসি মীগী লল্লোনপোৎ ওইখৎলক্লি। জর্দা-খাইনি চাবা থিংবা ঙমদে, য়োনবা থিংবা ঙমদে, য়ু থক্লরিবা থিংবা ঙমদেদনা, অনাবা থিংবা ঙমদে হায়রিবনি। থিংবদুবু হায়রিবা, দুকান্দা থিংবা ঙমদ্রবদি কোক-কোক থিংবা তারকপদুনি। ঙমদ্রগা শিবা ময়াম য়াওখ্রবনি, শিগদৌবসু ময়াম ঙাইনরগা লৈনরিবনি। 'দুগা ডাক্তরনা লায়েংলগা কৈদৌগে হায়বনো? লায়েংলগা ফরগদৌবনি হায়বা য়াদ্রবা ময়াম য়াওখৎলক্লবদি, মশানা য়ানা নারিবা হায়বদুনি। অসুম নাহল্লগা অদুম লায়েংগে হায়রিবসিবু করি হায়রিবনো? ডাক্তরনদি শাওগদ্রা, নাদ-য়েক্তনবা হোৎনরিবা ময়ামসি শোয়বরা হায়বা থিগত্তবা য়ারক্ত্রে। শোয়দ্রবদি কৈদৌনা নারক্লিবনো? কাঙ খরা হাৎলগা য়ারদ্রা? কনাদা চিক্তনবা কনানা অসুম হাৎলগা লৈগদৌরিবনো? কাঙ হাৎননবা হাৎলিবা হায়বদুরা, নাদনবনি হায়রিব্রা খঙজিল্লক্তে। চহী য়াঙ্খেসি কাঙ অদুম হাৎলগা লাকই, লোইবা ঙমদে। লোইনা হাত্তোক্লবসু খরদি জুদকাক য়োক্লগনি হায়রকপা য়ারিবনি। হায়বদি কৈ হাৎপা য়াদে হায়রগসু কৈনা চিক্লগা শিবসু য়াওরি। মহীক্তগী মীনা হেন্না কিখৎলকই, মীনা মী হাৎপসু য়ামখৎলক্লি। হাৎনরিবা মরক্তসু লায়েংবদি অদুম তৌনরিবনি। মী হাৎপা য়াদে হায়গনি, হাৎনবা লেপত্রিবনি। মীনা মী হাৎপগা (পঙবগী য়াওনা) মহীক্লা মী হাৎপগা করম্বনা হেনগদৌরিবনো? মীনা মী হাৎপনা হেনগনি খল্লকই। ফ্লেমিংনা হীদাক পুথোকখ্রবা মতুংদগীদি মহীক ময়াম হাৎখ্রবনি। লোইবা ঙল্লোই, অদুম লৈখিগনি খঙলবনি। নাদ-য়েক্তনা লৈননবা মহীকশিং অসিগা অসুম লৈমিন্নগদ্রা, মহীক লোইনা হাৎকদ্রা? লোইবা ঙল্লোই খঙলবসু, মাঙজোংদা অদুম হাৎলগা লৈখিদ্রা?

লায়েংবগী লৌশিংদি ইমান মান্নরে হায়ববু য়ারবনি, ডাক্তরদু খেন্নবগী ওইগেরা, হৈবা খেন্নবগী ওইগেরা, হীদাক খেন্নবগী ওইব্রা ফবদি খেন্নবগুম লৌনরিবা উরি। লৈরক-কোন্সাং, মী তিন্নরিবা মফমশিংদা ডাক্তরগী ৱারী, হোস্পিটাল ফৈ-ফত্তে, লম্বীদু ফৈ-ফত্তে, শেল য়াম্মী-য়াম্মী হায়নবগী ৱারী ময়ামসি জেনরেল নোলেজ ওইখৎলক্লিবনি। লাইরিক হৈবগী, শেল পায়বগী, শঙ্গ লৈবগী, খঙবা-হৈবগী মওংদা লাকখ্রবনি। হোস্পিটালগী মমিং য়াম্না খঙবা, ডাক্তরগী মমিং য়াম্না খঙবা, হীদাক মমিং য়াম্না খঙবা মীদি লাইরিক হৈবা ওইনা উবগী থাজবা লৈরে। তোয়না নাবা মীদি শিংববু হেনগৎলগনি খন্নরবনি।

চাবা হৈতবা, চানবগী হিংবা, অহাওবতা চাজবা, হাওনা চায় হায়জরগা নাপল কাজবা, থাও-থুমদা লুপচবা, চাক য়াম্না চাজবা হায়বসি হিংনবগী শাজৎ নত্তে। চানা-চানা অনাবসু য়াওনা চাশিল্লিবনি, হকচাংদু নারকপা শোয়দ্রবনি। চারিঙৈদা, নারিঙৈদা লৈবাক মুৎখ্রবনি। অদু য়ৌনা চাবদা থৱায় লুপচরিবনি। মী অয়াম্বা নাগদৌবনিদা হায়না থাজনরে। ডাক্তরনা পাল্লিবসি মদুমক্লি হায়বা তারে; মখোয়দা থবক পীবা, শেল পীবা, ঈজৎ অমা পীবা, হিংবগী থাক ৱাংনা থম্বীবা পাম্নরিবনি। লৈবাক খুন্নাইগীদমক পোকপা মপোক নৎত্রে, ডাক্তরগীদমক্তা পোকপীবা মপোক তারক্লে। ডাক্তরনা লৈবাক শেম্বা ঙম্লিব্রা?

লৈবাক খরদা থুম-মোরোক চাদে, নীংতম্বসু মাঙদে; ঐখোয়না থুম-মোরোক্তা ঙাওই, মরীল ফবনি হায়জিল্লি, মমৈদা নীংতম্বা মাঙখি, চায়খায়রগা মুৎখি। অঙাংদি নিংথাদগী খঙই, মীগী শাজৎ চাকচা-ঙাচাদগী খঙই। ঙা অতেকপা চাদবা লম য়াম্না লৈ, য়েনসু ব্রোইলর চাদে। ঐখোয়দি লম অতৈদগী য়াম্না হোঞ্জিল্লক্লগা চাবা ঙম্নরি। অহাওবা চাবা ওইনা উদে, পঙবা চাকচা-ঙাচা চুমদবা ওইনা উরকই। থুম চাদ্রবসু হিংবা য়াবদু বন্দ তৌগদৌরে হায়বগী থুম বোড়া-বোড়া লৈশিন্নবগী ৱারীদু নীংশিংলকই। চাবা হৈবগী নত্তে, চাকচা চুমদবদু শাজত্তা মীনা খঙনবা ফুদোকপনি। শেল পায়বগী, হকচাং ফনবা শাজৎ নত্তে, অপঙবা ফুদোক্লরিবনি হায়গনি। এঙ্গাং য়াওদনা থুম্না মোরোক মেৎলগা পুক থন্নবা চাকলুক অমা চাবা ঙম্নরি। ঐখোয়না নাদনা কনানা নাগনি। অনাবদু মী খঙহন্নীংদনা নারিবা মীসু ময়াম লৈরি। 'নশাদু নারে' হায়বদা শাওবা মীসু লৈ। অনাবদু য়ূমদা থল্লম্বদি য়াদ কোয়পু-পুরগা লম্বী-সড়কতা চৎনরিবনি। শিংবগী চাংদুবু হায়বা। পুক নোয়বগা হকচাং ফবা, শেল পায়বা ওইনা লৌনরম্বদু অপঙবা, থিবোং চাবা হৈতবা, লাইয়ৈ য়ৈরগা শিরগদৌবা ওইনা উনরক্লবনি।

অনাবগী হীদাকসি য়ামখ্রে, লৈকংদা থল্লগনা মী-শা-উচেক শিগনি, ঈশিংদা থাদরগনা ঙা শিগনি হায়রম্বা লৈ। 'ডাক্তরনা খঙদ্রগনা নঙনা শিজবা' হায়বা লাইরিকসু লৈ। ঐখোয়না ময়ামদু খঙবীরুবগী ৱা লৈতে, পুকসি থরাক-থরাক য়াল্লফাও চাবা তোকপা য়াদে অসিনি ঐখোয়গী পূন্সি। ইশাদি ডাক্তর নত্তে, চহী য়াঙ্খে নাবা হায়বসি ত্রেনিং অমনি খল্লে, অনাবসি কিখৎলক্তবনি। ফার্মাসিদা লৈবা হীদাকশিংসি অমা হেক্তা চাবদা ইশাগা চানখৎলক্লবনি। অদুননি ডাক্তরদা হংদবী ফার্মাসিদা হংলগা চাখৎনরকইবসিনি। মীনা হায়বা তাবিবা নত্তে (মদুসু লায়না অমনি), মীগী লমদনা ডাক্তরনা ইবা চে য়াওদ্রবদি হীদাক লৈবা য়াদে। অসিদনা অনাবগী হীদাক্লি হায়রগা ঙাওনবা হীদাক বোড়া-বোড়া ফানরি। খঙবগী হায়বদি মীশিংসি ডাক্তর লোইনা মানখৎলক্লবনি। অদুননি মীপূম খুদিং অনাবা মাল্লক্লবনি।

চীঞ্জাক্লা হীদাক্লি, হীদাক্তু চীঞ্জাক্লি হায়রম্লবনি, লাউরিবনি। তাবা শংদে নিষাদা ঙাওরি, লৈঙাক্লা খঙদে, লৈঙাক হায়রিবসিসু নিষানিদনা। অনাবদু অনাবা ডাক্তরনা লায়েংবগুম্বনি। অশেংবা ইরলদি হকচাংসি ফহনবনি হায়নরি, অদুসু ক্বা জর্দা উল্লগা হায়বা ওইরম্লেদনা। মীঙোন্দা পীথোকউ য়ানদবসি থৱায়নি। নুংশিবগীনি, থৱায় নুংঙাইত্রে, থোক পীথোকপসু য়াওনরিবনি। থৱায়সিবু য়েরুম অমগুম্না লৌনরকপা মাল্লবনি। শা-ঙা পঙচা চাশিনবা, য়ু থকচিনবা, জর্দা শায়গৎলক্লিবা ময়ামসি ৱাখল-লৌশিংগী লায়না অমা হান্নরা নারগা লৈনবগীনি হায়গনি। ক্বা মতপ চাউনা য়ানুংদা নমশিনবদি চনবা, নারগা গুলি (হীদাক) অমা চাউ হায়বদি চাউমল্লি হায়বসু লৈরিবনি।

লমদমসিদা ঐখোয়না হকচাং নাহনবা হৈবসি মালেমদা লৈবা নত্তে। ●

# খাঙবোককী শঙলেন মাপল শাফোঙবা অমসুং মতিক ময়াই - ২

- লাইশ্রম তোম্বা খুমন -

খুদম ২ : মতম অমদা মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিংনা মীতৈ খুল্লক্তা উচেক ফাবা হেক হেক লাক্লম্মী। নোংমদি লাইফমসিদা মুস্লিম অমনা শাইরোং কাপকে হায়না মাগী শাইরোংদু কন্না চিংলম্মী। নুপাদু ৱাসু ঙাঙদা শাইরোংদু চিংদুনা অদুম লৈখি। মমৈথংদা মতমদুগী পিবানা লাইদা থৌনিজরবা মতুংদা থাদোকপীদুনা ময়ূম পাংখি।

খুদম ৩ : নুপী অমনা মমিংদি খঙহৌদ্রে, ময়ামদগী খরা লমকেৎ লমহেনবী ওইনা তৌই হায়। নোংমদি মহাক্লা লাইগী হৈবী পাম্বীদা উশিৎ থৌওইদনা তিন শিৎচিনলুবদগী মচিন্দু খুদক্তা অসুম পৈখ্রে। মানা য়াম্না থৌওইরুদবগীনি হায়। লাই খুরুম্লবদসু শিবা ফাওবা থাদোকপীখিদ্রে।

খুদম ৪ : নিংথৌজমগী নুপা অমসু লাইসিবু থৌওইদদুনা লাইগী হৈবোং পাম্বী কাদুনা হৈবোং চারুবদগী মচিন পৈখি। মহাক্কী মচিন্দু মহাক্লা শিবা ফাওবা অসুম পৈখি।

খুদম ৫ : লাইনিংথৌ শংলেন মাপল অসি করিগুম্বা নোংথিৎ-নোংমংবদা হৌদোং অমুবী ওইনা থোক্লগা পরেং ওইনা অমগী মমৈদা অমগী ময়ানা চিক্তুনা লম্বী থৎপসু য়াওই হায়। নোংমগী নুমিৎতা অমাইবা লাইশ্রমগী অমুম্না কৌবা নুপা অসিনা অনাবা অমা লায়েংলুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা থেংলবা অহিং অদুদা লাইগী লম্বী অদুদা হায়রিবা হৌদোং অমুবী পরেং অদু থেংনখি হায়। খুদক্তা হৌদোংশিংদু মাঙখ্রে হায়। মহাক ময়ূম য়ৌরগা লায়না মশক খঙদনা নারম্মী। মহাক্লা হৌদোং থেংনবগী ৱারীদু ময়ূমগী মীশিংদা লীরগা খঙহল্লম্মী। য়ূমগী মীশিংনা লাইনিংথৌ শঙলেন মাপলদা অমাইবী ফমহল্লগা তরং লাইপাও তারম্মী। অমাইবীনা "নমু অদু ঐঙোন্দা চৈ পায়রগা য়াম্না উশিত্তবা থৌদৌ কয়া তৌখি খঙগনি মা ঙাকপীবা ঙল্লোই"। নিপাদু নুমিৎ ৫নি শুবদা শিখি।

খুদম ৬ : নোংমগী নুমিদাংৱাইরমনি লাইশ্রমগী এ ঈ বাবুতোম্বীগী জীপ অদু হায়রিবা লাই অসিগী মপাগী লম্বীদা থৌরম্মী। লাইগী মপা হেক য়ৌবদা গাড়ী থৌবা য়াখিদে। ষ্টার্ট তৌবা শুকয়া য়াখিদ্রে। অহৈবা গাড়ী শেম্বা কয়ানা য়েংবদসু অশোয়বা অমত্তা উদে। মমৈথংদা শংলেন ৯দা হৈরাং-লৈরাং কৎতুনা হায়জখি- লাইগী হৌজিক লৈরিবা অমনবা লাইশঙ অসি অনৌবা অমা শাজরগে হায়না মালেম পক্লা মমিত্তগী মপি শিন্থদুনা খুরুমজরগা হায়জবদগী মাগী জীপ অদু ষ্টার্ট তৌবা য়ারগা থৌদুনা চৎখি। ইকুই কুইদনা মহাক্লা লাইশঙ অমা শানবা থৌরাং তৌখি।

খুদম ৭ : মোইরাংথেম শাৎপা কৌবা চেক্কী মিস্ত্রিনা লাইশঙ শারম্মী। মানা লাইশঙ মনুংদা লাইগী ফম্বাল প্লষ্টর তৌদুনা মনুংদা থবক শুই। মপান্দা মী খরা লৈ। শাৎপনা লাইনুংদা প্লষ্টর তৌদুনা লৈরিঙৈদা মনুংদা অয়ূক নুংথিলগুম পুমঙান ঙান্দুনা লৈ। মপানগী মীশিংদুদি শাৎপা কাউথোক্তুনা মমশিল্লক্লে হায়দুনা ময়ূমদা হন্নখ্রে। শাৎপদি থবক অদু লোইশিন্নীংদুনা অমদি ঙান্দুনা অসুম লৈবদুদা নুমিৎ তাদ্রিমাল্লে খন্দুনা মথৌ কন্না তৌখি। মাগী থবক লোইরবা ফাওবা ঙান্দুনা অসুম লৈখি। থবক লোইরগা থোক্লকপদদি মপান্দা পুম্মম মল্লমবদু উবদা কিদুনা ময়ূম ফাওবা চেল্লকখি হায়। হায়রিবা লাইশঙসি মথক্তা হায়জরিবা মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবিরম্বা লাইশ্রমগী এ ঈ বাবুতোম্বীনা কৎকে হায়খিবা লাইশঙদুনি হৌজিক্তি অনৌবা লাইশঙ অমা লৈঙাক্লা শাবীদুনা লৈরে।

খুদম ৮ : খাঙবোক খুনৌ লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম লাকপা মৈতৈনা থৌগনজবা ইবুধৌ মঙা হরাওরিঙৈ অমাইবা কেন্দ্রা অমসুং অমাইবী অনৌবী অনীগা লোয়ননা হৈরুক অথেনপোৎ থেনবা চৎপদা অমাইবী অনীদুগী মরক্তগী অমনা লাইগী লৈরল্লিবা ফীভমশিংদু য়াম্না উশিত্তনা খল্লুবা অমদি নারক মোংশোং মরক্তা কাকফৈ চিক্কনি কা হায়দুনা থৌওইদবা ৱাঙাঙ শঙাঙকা হেক তৌরুমাল্লে। মখোয় অহুম ফল্লম্বদগী ঙসাই থৌওইদবা ৱাঙাঙ শঙাঙ তৌরুবা মাইবী মচাদু অনকপা উপাল অমদা থুনা য়াংনা চোংখৎখ্রে। মী লাম্বা ফংদবা মফমদা নপ্তুনা অসুম লৈরে। মতৌ অদু উবদা অমাইবদু য়াওনা ফান অৱাংবা অমা থারগা লৌথনবা হোৎনরম্মী, হোৎনরবসু অরেম্বা তারম্মী। খুদক অদুদা লাইদা থৌনিজবদা মাইবীদু মখাদা পদ্রাক লাওনা তারকখি। অশোয় অঙামদি য়াওখিদে। লাইনিংথৌ ৯ অসিদা ফত্তবা তৌরুরবসু ঙাকপীয়ু হায়জরবদি অহকপা খুদম পান্দে হায়। ইবুংঙো মাপলগী মতিক ময়াইবু তাইবঙ ওইবা নচা ননাইনা শৈথাবগী লোইবা নাইরোই। লাইসিদা পোৎ চৈ কৎকে হায়রবদি লাই মাপলগী ৯/৯ কৎকনি। লুপা কৎকে হায়রবসু ৯/৯ কৎকনি, মৈরা কৎকে হায়রবসু ৯/৯ কৎকনি, ধুপতি কৎপা য়াদে।

খুদম ৯ : ইকুই কুইদ্রিবা ৱানি। লাইসিগী অনৌবা শঙলেন অমা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা কৎপী। লাই অসি শঙ কুমদুনা লৈরম্বদগী শঙ্গাবা নুমিৎনি। লাইগী মমাঙ অদুদা জে সী বি অমনা পূখ্রিসু তৌরম্মী। লাইগী থৌগল তৌরিবা মনাইনা জে সী বিদু ঙাইহাক্তং লেপহল্লু হায়বদা থৌওইদদুনা থবক শুদুনা অদুম লৈরম্মী। ইখঙ খঙহৌদনা জে সী বিগী অর্ম অদু মখাদা থাদখিবদগী হাইগৎলু হায়বা য়াখিদ্রে । ফনা য়াম্না শেম শারবসু ময়াবা লৈত্রে। লাই মনাইনা মখোয় লোইনমক ইরুজরগা লাকউ, লাইদা থৌনিসি হায়বদগী মখোয় লোইনমক ঈশিংদা লুপ্লগা অচোৎপা ফিজোলদুগা লোয়ননা লাইদা অথেনপোৎকা লোয়ননা খুরুমজরম্মী। শং কুল্লম্বা লাইদু অহানবা শঙলেন্দা পুশিনখিবগা লোয়ননা লাইগী থোং হেক থিংখিবদগী লাই মনাইদুনা জে সী বি অদু ষ্টার্ট তৌদুনা য়েংউ হায়বদগী ষ্টার্ট তৌবদা করিসু তৌখিদ্রে য়াখ্রে।

অসিগুম্বা থৌদোক মশীং খঙদনা থোকখ্রে। হৌজিকসু করি-করিগুম্বদা হেক-হেক থোক্লি। লাইগী মমাঙদা লাই খুরুম্লম্বনা গাড়ী থৌবা য়াদে। গাড়ী হেক্তা লেপখিগনি। পুলিস কম্মান্দো অমদি মীচমগী গাড়ী কয়াসু হায়রিবা চৈথেং অসি ফংখ্রবনি। লাইগী লম্বী মচা অসিদা লুহোংবা চৎপসু য়াদে। হান্না থৌনিজরগা চৎপদি য়াই অদুবু কিদুনা অয়াম্বা চৎনদে। পোৎ মাঙলবদি খুদক্তা মপু অদুনা লাইসিগী মনাক্তা মিৎকী পিরাংগা লোয়ননা ঙমজবা খরা কৎচরবদি শোয়দনা খুদম পাল্লি হায়বনচিংবা থাজনবসু লৈ। ইজরিবা খরসি ঐঙোন্দা ৱারী লীবিরকপা ঙাক্তনি। লাইসি থম্মোয়দা নৎত্রগা ফোংনা শিংনবা শুকয়া য়াদে। মঙোন্দবু হায়জরবদি করিসু কিনীঙাই ওইদে। লাই লৈ হায়বসি তশেংনা তাকপা লাইনি। নীজরবদি শোয়দনা পী। লাইগী লমশিংদু হৌজিক্তি অকোইবা চেক্লা শম্বল খাখ্রে। পক্কাগী নীংথিজরবা লাইশঙদা ঙাম্থোইরি, য়েংবদা হৌরিবা উ-ৱাশিংনা ফজনা হৌরিবদু মীৎফম হোংবা ঙম্মোইদবা পূক্লিং হুনীংঙাইগী মশক্লি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২০গী ৱাহং**

১) "নীংতম্বে 'ই কোরৌ মঙালনা তরং তরং
সনা ঈরিক চাইথবগুম চাইথরক্লেনে
ঙসি নোংপোক চীংদোমপোক্তগী।"

শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "লৈরি নঙদি থম্মোয়নুংদা" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু।

৩) "নীংশিং লকানুংদগী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) প্লেটোগী 'দ রিপব্লিক' হায়বা দাইলোগ অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) "লাইরিক অসি পারক্পদ মসিদ শীজিন্নরিবা ৱাহয় ৱারেংনচিংব অসিদ মপালথোংদ মতিক চাবা সাহিত্য অমা ওইনা উবগুম্ মনুংগী ভাবত য়েংলগদি বিজ্ঞান্গী অথুপ্প ৱা ফজন ফোংদোকই।"

ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা লাইরিক অমগী 'ৱামাঙ য়ান্বা ৱাহয়্ খর' গী মনুংদা ইবনি। লাইরিক অসিগী মমিং ইরকউ।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।